

*“মঙাল লোইখ্রবা মৈরিগী দোশিনা*
*ৰাকৎহৌরি অমম্বদা হীক্লা হীক্লা।”*
*- রতন থিয়াম*

## ঈমাশ্ৰেং

### নুংশিদরা য়েংউ মহাক্তো

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

কুইরে উখিদবা মহাক্তো
মরক মরক মঙলান্দা উবা নত্তনা
তাজনীংখি মাগী মপাউতবু
পূক্লিং নাপ্পা খোইজংনা
তাখিদরে মপাউদো ঙসিদি
উখিদরে চেংলৌসু।

নোংমতং উহৌদবদা
কুমওন কয়া লানখ্রবোই নীংলুই
কুইরে তাখিদবা মাগী মপাউ
কুইরে উখিদবসু মাগী নীংথিরবী শক্তমদো
নুংশি কৈদবু লৈবগে
অমুক্তদি খুল্লকউবা।

মতম কুইরবগী তুংদা
নোংমা খঙহৌদনা খোমলেন মঙলান অমদা
অনৌবা ফীজোল শেৎ চারদুনা
অনৌবা চহীগী মপাউ পুরদুনা
খোইরুম মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা
ঐগী ইমাংদা লেপ্লরে।

ঙসিদি থম্মোয় অসি কয়াদা মকা লান্নবা
নঙতবু উনীংবনা লাংতক্করম্বা পূম্নমক
অকাউ পরৈ চনখিদুনা
করি ৰাবু হায়সিগে হায়ফম খঙখিদে।

মথুম মরাং হৌরবা, পূক্লিং হকচাং
ৰাখল পূম্নমক ইরোলনুংদা লুপ্তুনা
লৈরবোই থৌদুনুংগুম,
করিসু ফোঙদোকচবা ঙমখিদে।

মঙফাওনরক্লবা তাইবঙদা অমুক
নীংশিংদুনা মঙলানদো
হৌখ্রবা মতম অদো
ঙসি ঙরাংতা ওইরবোই খনখি
নুংশিদরা য়েংউ নুংশিবী মহাক অদো।

ঐবু কপহল্লে হন্না হন্না
অমুক উনগনি থাজদ্রবা নহাকপু
ইমাংদা ফক্লাংদা নোকফেৎ নোকফেৎ
ঐবু য়েংলম্বা মিৎচানবা মিকুপসে
কয়াগী মতিক নুংঙাইজবা
কয়াগী মতিক হরাউজবা
হে লোন্থোক্তবী ফোটো।

### নোকউনে খুম্মুনে

—মাইস্নাম বীষেশ্বর

লেল্লব্রা পিরাংতা শিন্থদুনা
অৰাবা পোৎলুম পুদুনা নঙদি
হরাউবা ঙমদ্রবা থম্মোয়দা শুকথনা
নীংথিজবা ঋতু কয়া হৌখ্রে।

মায়থোং মকা লাম্বদুদি খঙদ্রে
লৈরাংশিংনা কেনা হাইনা হুমজবা
থম্মোয়দা ঈথক ঈপোম হৌজবা
মসিবু মহৌশা খূৎশেম নত্তব্রা?

খোইমুনা লৈরাং লৈকাদা লৈহী চূপচবা
কুরাকশিংনা হঙ্গাম মপালদা জগোয় শাজবা
লোয়নমক নঙোন্দদি তাইওন্নবা ঙাক্তরা?

অমম্বা অহিংদা থৰানশিংনা
কুফেৎ কুফেৎ ঙাল্লিবা
লুপা মচুনা থাবলনা ফিঙৌ ফৌরিবা
লোইনমক নঙোন্দদি অরেম্বনি নৎত্রা?
নোংজুগী ঈমায় চোল্লবা তুরেল
অকংবা পাঞ্জকঙাক নৎত্রা?

হায়যুনে অমুক্তদি কৈদৌবগে
অৰাবদো লোৎশিন্দুনা খুন্মুনে
নুংশিদ্রবনে ঐবু অমুক্তংদি
অৰাবগী ৰাংমদা লেপ্তুনা
মমাঙঙৈ মীনোক্তু নোক্তুনা
মহৌশা ৰাখলদু লাক্তুনা
সমুদ্র তন্না চেন্থরিবা ঈচেলসে য়েংলগা।

### হৌজিক্তগী হৌনা

—বাবু ইরেংবা

চৈরাও চীং কাবা চৎপদা
কোনুং কাং, কৃষ্ণ জন্ম
দুর্গা পুজা, য়াওশঙগী কুম্মৈদা
অঙাং পুদুনা চৎলু কোয়বা
হংঙু অদুগা অঙাংদুদা
করি লৈবিয়ুগে নঙগী।
খুন্নক্কনি শোয়দনা
অঙাংদুনা
লৈবীয়ু নোংমৈ ঐগীদি।

### থাদোক্লবা ঙমদ্রবী

—মেঘ কোলোম

ইচম চমজবী নতৌ
মহাও মচু শংদ্রবী
কাউঙম থাদোক্লা ঙমজদে।
অথুন্বা অয়াকপা ওইনল্লবা
মচু কয়ানা লৈতেংলবী
থেংনা ওক্করু খুদিংমক
নঙগী নতিক্তনা মহেল্লি
তায়বং পুন্সি খোঙচৎতা।
শায়োন কয়ানা নাউপুরি
মফম মতম লৈফমদা
লেপ্পীরি নঙগী নশক্তম।
ঈংহল মুখৎ মাঙহনবী
মৈচাক মৈরি প্রল্লোয়
লুহল শেংদোক চামথোকপীরি
হঙ্গোই তুক্কচর মালেমগী।

### শংবানবী

—দিম্ভাজিৎ

নুংশিনা কৌগে নঙবু শংবানবী
করিগীনো খঙদে ননাক্তা লাক্লিংই
নঙবু অসুম য়েংদুনতা লৈনীংই।

নঙ ঐবু শোয়দনা নুংশিরমগনি
পাঙ্গল, থৌনা হিকথখিবনি নঙগীদমক
নঙগী নতেং পাঙদুনতা লাকখিবনি।

নঙনা চুং ফিরাল চানা
মথোৎ কারকপা উবদা
কয়াদা পেঞ্জখিবা ঐগী থম্মোয়না।

নঙনা শংবানবা মচু হোংদোক্তুনা
সনা মচুগী ফিজোল শেৎলকপদা
ঐনা কয়াগী মতিক হরাউজবা।

লৌথোক্লো সনা মচুগী নাপগী নাইন
চঙলসি ঐগী লায়র খাঙপোক্তা
য়েংজরগে থম্মোয় পেন্না ইমিৎসিনা।

### রামচন্দ্র

—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম

রামচন্দ্র,
খোইশিংনা চূপলি লৈহি লৈশিংদগী
অদুগা তুংশিল্লি খোইরাদা খোইহি ওইনা।
মখোয়না চূপলি অমদগীসু অমদগীসু
লৈতে মখোয়গীদি খোইরাং খোইহি তুংশিন্নবা
মখোয়না তৌবা হায়ববু,
মমিৎ অনী ফিনা চেজেৎ পূনশিল্লি
অদুগা ওল্লি অরূম-অয়াঙগী খল।

রামচন্দ্র,
চহী তরামরি বন্দা চৎলি নঙনা,
ঙাকই নপাবুংগী ৰাশক,
পুরকই রঘু শাগৈগী মিংচৎ।

হংলিবা ৰাহংদি অসিনি,
মশীং য়াল্লবা ৰাশকশিংনা কেল্লি
লৈখোক লোয়রবী লৈনাগুম।

কনানো ৰাশক ঙাক্তুনা
চহী মঙা বন্দা চৎলগা
গনতন্ত্র শাগৈগী মিংচৎ পুরক্কদবা
রামচন্দ্র! রামচন্দ্র! রামচন্দ্র!

### মতমনা ঙাইহরি

—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

কনানা পাঙথোক্লি
মপোক নুমিৎকী নুংঙাইবা
পুল্লি মরুপ মপাংশিং
লাংলি, নোক্লি, খেরি
খল্লুদে করম্বা মীকুপ্তা
লাক্কদবনো অশিবা হায়বদো।
হঙোইবু য়োৎলি লিন্না
ঙাইহাক্তং লৈরগা শিরগদবা
হঙোইদুনা য়োৎলি তীলমচা
খল্লুদে লিন্দুনসু
কৈদৌঙৈ য়োৎকনি মহাকপু ৰাহোংনা
অদুনা চাউথোকচৈ মানা
হঙোই য়োৎলে খন্দুনা।
ৰাহোংদুনসু খল্লুদে
থংনবা মীকুপ্তা করি ওইগনি
মহাক্কী পুন্সি।
খল্লুদে শাদানবনা
মহাকপু তান্নরক্কনি,
অদুনা চাউথোকচৈ মহাক্লা
লিনবু য়োৎলে খন্দুনা।
মতৌ অসুন্না মালেমসিদা
য়োৎলি মী অমনা মী অমবু
মাদি খল্লুদে
অতোপ্পা মী অমনা
ঙাইহরি মাবু য়োৎনবা।
মখা তানা কনা অমনা খল্লি
মতমবু মানা য়োৎলি
অদুগা মতমনদি ঙাইহরি মাবু
মীকুপ অমদা হেক্তা য়োৎনবা।

### লোন্থোক্তবী ফোটো

—রাজেন্দ্র সারুংবা

হো লোন্থোক্তবী ফোটো নঙনা
করিবু হায়রিবা নোকফেৎ নোকফেৎ
নোকপদা হৈবরা খরসু মঙাংঙকউ
ঐ তানবা নঙনা লোন্না ঙাঙলিবা
তাখিদবা কুইরেদো নঙগী খোঞ্জেল নুংশিবা।

তুংগী আশা কয়াগা লোয়ননা
লোনমিন্নরকপা নৎত্রা নঙ ঐ
করিগী ঐবু থাদোক্লম চৎখিবা
নরিল লৈতবা নরিল পান্দবগী ৰারা
নপাঙ্গল নথৌনা লৈতবা ৰাৎপগী ৰারা
করিগী পুন্সি লানফম্বু কিদুনা চেল্লিবা।

শে হায়রকও নোকপদমক নোক্লনু
লোন্থোক্তবী নতৌদুনা ঐবু ৰাহল্লে।

# কোলহীং

## (অচুম্বগীদি মীচং ৰাত্তবনি হায়বা উৎলিবা ড্রামা অমা)



| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | কোলহীং |
| মখল | ঃ | ড্রামা |
| অইবা | ঃ | খুন্দ্রাকপম রাধেশ্যাম |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | নোহাখোল, য়ুরেম্বম |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**মণিপুরদা** ড্রামানা খোঙদারকপা চহী ১০০ মপূং ফারক্কদৌরে। অহানবা থিয়েটর লিংখৎলকখিবা চহী ১৯০৩দগী পারবদি চহী চাম্মা হেল্লবনি। অদুবু মণিপুরী লোন্দা শান্নখিবা ‘নরসিংহ’ (১৯২৫), অদুগা ইহান হানবা সমাজিক প্লেনি হায়নরিবা সোরোখাইবম ললিতকী ড্রামা ‘অরেপ্পা মরুপ’ (১৯২৮) তগী পারগদি চহী ১০০ শুগদবা চহী ১০ রোমদা ঙায়রবনি। শাংখ্রবা চহী ১০০গী খোঙচৎ অসিদা মণিপুরী ড্রামানা থেঞ্জাং কয়া অৰাবা কয়া মায়োক্লরক্লবসু জি সি তোংব্রা, অরাম্বম সমরেন্দ্র অমদি অতে ড্রামা ইবা কয়াগী খূৎ য়ৌরকপদদি মপূং ফারবা কলাগী পোৎ ওল্লকখিবনি। হৌজিক্তি ঐখোয়গী ড্রামা কাহ্নাইলাল অমদি রতন থিয়ামগী ক্রিএটিব মাইন্দনা থেংবদা কনভেন্সনেল প্লে ওইরম্বদগী এক্সপিরিমেন্টল প্লে, এবসর্দ প্লেগী থাক য়ৌরক্লবনি। চুন্নগী কনভেন্সনেল ড্রামাদদি ৰারীদা যূম্ফম ওই, মদুগী অহৌবা, ময়ায়, অরোইবা লৈগনি। অদুবু এবসর্দ ড্রামাদদি পূন্নমকসি ওন্ন-তৈনবনি, ৰারী লৈতে, মসিদি লৌখৎনীংবা পোইন্ট অমদা হেক্তা হৌবা য়াই অদুগা লোইবসু। মসিগী মচৎতি চুমদ্রিং (Linear) নত্তে, সার্কুলর (Circular) ওই, হৌখিবা মতাংদা অমুক হল্লক্লগা লোইশিনবনি। অদুনা Martin Esslin না হায়, "The Theatre of the Absurd is an intellectual shorthand for a complex pattern of similarities in approach." মসি পূন্নমকসি মতম্না পুরকপনি। ধর্ম্মদা থাজবা থম্নরক্তবা, ফিলোসোফিগী ৰাদা চিংনবা থল্লকপা, মীওইবগী থম্মোয়না পাল্লিবগা মপানগী তাইবঙগা শম্নরক্তবা, মীওইবগী পূক্লিংনদি তাইবঙসিগী ৰাহন্থোক, তশেং তশেংবা মশক অমা উনীংলকপা অদুবু তাইবঙপান অসিনদি খঙদবগী খঙদবা ঙাক্তা ঙায়রকপা অদুনা কনভেন্সনেল ড্রামানা মীওইবগী পূক্লিং ফাবা ঙল্লক্তে, নান্থোক্তুনা চৎলকই। তুংগী ফনবগীদমক, মথঙ মপোক্কী য়াইফনবগীদমক তরংদা তাউদুনা, মোরেল লেসন পীবা ড্রামা য়েংনীংলক্তে। অদুগী মহুৎ, ৰাখলদা পোৎলুম পীরোইদবা, হৌজিক হৌজিক্কী ৰাখক্তা নৈনবা ড্রামা পাল্লকই। অদুমক্লা অলবার্ট কেমস (Albert Camus) না হায়, "The divorce between man and his life, the actor and his setting, truely constitues the feeling of Absurdity." মানা হায়, তাইবঙপানবু, মীওই মপোকপু ভাবনা শাবা থীওরিনা তাকপা, থাজবখক্লা যূম্ফম ওইবা অসিবু খক য়াবা ঙল্লোই। মসিবু মানা 'Philosophical Suicide' কৌই। মাগী লালহৌদি (Revolt) আশা তৌদনা হিংবা, লাইদা থংজিন্দুনা অতোপ্পা মপোক অমগী আশাদা পঙথদবা অসিনি। অদুনা ড্রামা ইবা কয়ানা অরুবা মখলগী absurd play শিং ইরকই। অদুনা Martin Esslin না অমুকসু হায়, "The absurd drama appeals to a deeper level of the audience's mind. It challenges the audience to make sense of non-sense, to face the situation consciously." অদুগুম্না ঐখোয়গী সনখ্যা ইবোতোম্বীনসু ইরম্মী, “থিয়েটরদা অনৌবা খোঙজং হায়বসি থিয়েটরগী মরুওইবা ফেক্টরশিং হায়বদি এক্টর, ওদিয়েন্স, এক্টিং অমদি অতৈ মচাকশিংদা অনৌবা মীৎয়েং অমসুং অনৌবা ফিলোসোফি অমগী মখাদা চঙশিল্লকপা মুবমেন্ট অদুবু খঙনগনি।” (ঙসিগী মণিপুরী থিয়েটর) কয়াদা চুন্না হায়রমখ্রবনো।

ঐনা ৰাফম খরসি থমজবগী মরমদি হৌজিক ড্রামা ইবা অরায়বা নত্তে। ঙসি ইনরিবা অয়াম্বা Conventional or Traditional প্লেনা অয়াম্বনি। ঙসি পায়খৎলিবা ‘কোলহীং’ হায়বা ড্রামা অসিসু মদুগী মনুং চন্না লৈরি। অইবা খুন্দ্রাকপম রাধেশ্যাম্না মসিবু শুমাং কুম্মৈ ওইনা উৎনবা ইরি। মশাগী লাইরিক ১০ ফোঙদুনা অইবা অমা ওইবগী মশক তাকখ্রবা অইবনি। মরুওইনা ৰারীমচা অমদি নোভেলদা খূৎ থারম্বা অইবা অসিনা মথঙ মথঙ শুমাং কুম্মৈ অহুম পুথোক্লকপা অসিদি তরান্না ওকফম থোকই। শুমাং কুম্মৈ হায়বা অসিমক্তবু ড্রামাগী শাজৎকা মান্নবা ইবদসু মাগী মচৎ অদুম তোঙান্না লৈজে। কনাগুম্বনা অহৌবা, ময়ায়, পোল্লোই পরীং কায়দনা ইবা য়াওই। রাধেশ্যামগী অসিদি ক্লাইমেক্স ময়ায়দা থমদে। অরোইবা লামায়দা ক্লাইমেক্স থল্লি। অদুনা শুমাংদবু শান্নরবসু, ফম্বাক্তবু শান্নরবসু অয়েংবশিংনা ওন্থোক্লা নীংঙমদনা হনখিদৌবা লীলানি। মখা খজিক্তংগা তাহন্নীংবা শোয়দনা পোক্লদৌবা খূৎইনি। অয়েংবনা মতুংগী ফল মশাবু খলহনবা, খৌরংবা পোকহনবা খূৎইনি হায়নীংই।

থিম য়েংলবসু য়াম্না ফজে। অচুম্বগীদি মীচং ৰাত্তবনি হায়বসিনা য়াংলেন শরূ ওইরি। মখলদি খুন্নাইগী ওইহন্নীংবা মশক অমা পাদম থল্লগা শেন্নকপা ৰারী ওইবনা সোসিএল প্লেগী মনুং চল্লে। মসিদা সব-প্লোট ওইনা মতমসিগী ফোঙ-ফোঙ শারিবা নিশা থিংবা, ইশানা ইশাবু থবক পীজবা, নুপানা নুপীবু শান্নপোৎ ওইনা খল্লক্লবদা নুপীনা থৌনা ফুদোক্তুনা নমদুনা লৈবা, নুপাদুগী ময়ূমদা চঙশিল্লকপা ওন্না কয়াসি ফজনা উৎলি। প্রোটাগোনিষ্ট ওইরিবা নুপাসি (ঙানবা) অফবা, মথৌ খঙবা, ফত্তবা হায়বা পোৎসিমা শোক্তবা, অফবা খুন্নাই অমা শেম্বা পামজবা নহা অমা ওইনা য়েক্লি। মাগী মায়োক্তা লৈরিবনা ইনাক্তি খুনবা, মীনা ফরগা কল্লকপা, মবুক্তা অফবা হায়দু খন্দবা কোলহীংগী মশক ওইরিবা নহা (ঙৌবা) অমগী মশক্তা য়েক্লি। লমচৎ অনী অসিগী চিংখায়নরকপনা শিবা-নাবা য়াওরক্কদৌবা মতাংফাও লৈখি। অপাবশিংনসু মিহুল তিং তিং চোংবা মতাং য়াওরকই। অদুবু অইবনা য়ারিমখৈ ঈ তাহন্দে। মসিদি অফবা খুদমনি। অদুগী মহুৎ ফৎলমদবা ঙৌবা অফবা ওইহন্নবা অইবনা মখল কয়াগী চাংয়েং পীশিল্লি। কেন্দ্র অমগী চাওখৎ থৌরাংগী শেল্লিবা ডেভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অদুগী সেক্রেটরী ওইরিবা ঙানববু লৌথোক্লবা, মানা ওইনবা লৈজবী থাদুনা হোৎনৈ, মাগী মী খোম্বদা য়ুনা উপাই ওইনা শীজিন্নৈ, ঙানবগী মপাবুং তোমচাবু, মাগা লোয়নবা লৈরেঞ্জাওবু, নুংতিগী য়ু পীথকই, শেল পী। অদুগী মথক্তা ঙানবগী মতেং পাংলিবা তোঞ্জাউগী মচল ইবেথোইবু লৌবীগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরগা ঙানবা লৌথোক্লবা হোৎনবদা মতেং লৌই। ইবেথোইসু লৈজবী থাদুনা মবুং চাউথোইফাও মায়োক্লদুনা ঙানবা লৌথোক্লবা, মখোয়গী Autorickshaw দু ঙানববু থৌহন্দনবা হোৎনৈ। অদুবু ফনা হোৎনদুনসু ঙৌবা মায় পাকখিদে। অচুম্বা চৎচবা ঙানবগী মীওইমক্তা ওইখি। মদুগী ফলনা ঙৌবা পূক্লিং হোংলকই, ঙানববু মাগী মী ওইনা লৌশিল্লগা মানা ভোট লেপ্পদা মতেং ওইবনা ফরনি খল্লকই। ঙানবা ফানবা হোৎনবদা পাক্লা য়ারোইদৌবনা মচল নুপী ঙান্থোইবীবু কোয়দুনা লৌনবা হোৎনরকই। নোংমা ঙান্থোইবীনা মানা শাজবা ফিদু য়োনবা খ্বাইরম্বদ কৈথেল চৎপদা ঙৌবা ইন্নখি। অদুগা মানা করি উপাই তৌখিবনো খঙদনা ঙান্থোইবী মাগী য়ূমদা পুখি। অদুবু মীনা লাকচবা য়াদবী ইবেথোই লেন্না তোকখিদে, ঙান্থোইবীগী পাউ হনবা চৎখিঙৈ মাসু ঙৌবনা লৌবীনি হায়রম্বনি হায়দুনা ময়ূমদা চঙশিন্দুনা লৈরুরে অয়ূক্তুদা। মাগী ওইজবদা থিবা ঙৌবা মৈশা লাংলে। মতাংসিদা ড্রামা অসিগী অরোইবা লামায়সু ওইরে। কয়াদা ৰাহংনা থল্লবা পোলোই অমদা থনল্লবনো? ঙানবা কমদৌখ্রে। মীগী ফনবদা হোৎনবা চাউথোইগী ৰা কদায় য়ৌখ্রে। হৌরকপদনা সোসিয়েল প্লেগী শাজৎ, পোলোইদনা রোমেন্স, পূন্নমকসি পাউখুম অমতা ফংদনা লোইশিনখ্রে।

ড্রামাগী শাজৎতি চুন্না লৈরি। লমচৎ য়াম্না য়েক্তে, মচং ওইবা খরদা য়েকই। ডাইলোগকী মওংদি মায় পাকই। ঙৌবনা ঙান্থোইবী ঙাইরিঙৈ ইবেথোইনা লাক্তুনা তখৎলকপগী মতাংসি য়েংবা য়াই।

| | | |
|---|---|---|
| ইবেথোই | : | তা ঙৌবদি ওটো পার্কিংসিদা কৈদৌরল্লিবা? |
| ঙৌবা | : | মসিদগী মী অমগা চৎমিন্নগদবনি, মীদু ঙাইরিবনি। |
| ইবেথোই | : | মীদু কনানো? |
| ঙৌবা | : | করিগীনো য়াম্না কৃপ্পা হংলকইসিবো? |
| ইবেথোই | : | নঙগী মরমদদি ঐনা থিগৎপা য়াইনা। |
| ঙৌবা | : | খঙনবা মশেল উনবদা কৌনৈ। খোঙথাং মশীংদি হংনদে। |

লাইরিক অসিগী হেক নীংঙমহৌদবা অমতং হায়বা তারবদি এসেমব্লি কেন্দ্র মমিং অপান্ননা কোন্থৌজম কেন্দ্র থোনবা, বস ঙাইফমসু ঙাইরাংবম, অশেংবা থোনবা অসিমক্তি ফিক্সন ওইবনিনা অতোপ্পা ৰাখলগী লমদম ওইহন্নীংবা লৈ। অদু ফনা ওইদুনসু শুমাং কুম্মৈবু ওইরবসু, ফম্বাক লীলাবু ওইরবসু য়েংবদা তন্থররোই। অদুগী মথক্তা য়ু ঙাওবা অহল অনী, তোমচা অমদি লৈরেঞ্জাওগী ফাগী পুবা ৰারী ৰাতাই মচু তাই। রিয়েলিটি য়াম্না নকই।

# ওন্থোক্লবা

-মুন্সি প্রেমচন্দ

*(হান্নগী মখা চৎখজরকপা...)*

মাসু মাগী অনিংবনা অরোইবনি হায়না লৌই, ঐসু ঐগী অনিংবনা অরোইবনি, মানা অংগ্রেজশিংগী মীনাই ওইদুনা মখোয়গী মখোঙ পায়দুনা লৈরসু ঐদি করিগী নোঞ্জরুনি, মাগী মতুং করিগী ইঞ্জরুনি। মশাগী মগুণ ঙাকচবা, মশাগী ওইজবগীদমক্তা মশাবু মীঙোন্দা য়োন্থোকপা ঙম্বা মীদুগীদমক্তা ঐনা মীনুংশি পোক্লুদ্রবসু মদু ঐগী ইৰাল নত্তে। মা মখোয়গী থবক তৌরিবরা নৎত্রগা মীনাই ওইরিবরা? থবক তৌবা অমদি মীনাই ওইবা অনীসি য়াম্না খেন্নৈ। থবক তৌবা হায়বসিনা অকক্লবা চৎনবী খরগী মখাদা নিয়মদু ইনবদুনি, মদুদি মপুসু মনাইসু চপ মান্নৈ, অথিবা খোনফম অমা হায়রকপদা মখা থাবদু খাঙদুনা লৈফম থোক্তে। মীনাইগীদি নিয়ম লৈতে, মাদি মা মশাদু মীনাই ওইদ্রিঙৈদা ৰাখলদা হান্ননা ওইখ্রবনি। লৈঙাকসিনা মঙোন্দা নরৈবাক্কী পোৎ চৈ লৈগনু হায়না কৈদৌঙৈসু হায়খিগেনে, লৈঙাক্কী টিকেটশিংদা ‘নরমদমগী পোৎশিংতমক লৈয়ু!’ হায়বা ৰাহৈসি ইরিবনি। মসিনা তাকপদি লৈঙাকসিনা ইরমদমগী পোৎ চৈশিংদা অথিংবা থমদে হায়বসিনি, সিমক্তদা ঐগী ইপুরোইবসিনা লৈঙাক্লা য়ানবা হোৎনবদা হেঞ্জিন্না থবক তৌই।

ইপুরোইবনা খরা শাওরপনা - ফ্লৱর শো য়েংবা চৎলোইদরা?

গোদাবরীনা খুন্নিংদনা - চৎলোই।

- য়াম্না নুংঙাইবা কুম্মৈনিনে।

- ঐ কোংগ্রেসকী খোঙচৎতা য়াওরুনি।

শ্রী সেঠতু য়ূমথক নিংখায়রকপদগী শোয়দুনা ইলেক্ট্রিক্কী ৰায়রদা পায়রুবা তারবসু অদুক য়াম্না ঙল্লুম্লোই। মমিৎ লাউথোক্তুনা হংলকই -

নঙনা কোংগ্রেসকী খোঙচৎতা চৎতোইবা?

- হোয় শোয়দনা চৎকনি!

- ঐদি চৎহন্নীংদে।

- নঙনা ঐবু থৌশাদবনিনা নঙনা হায়বা ঐনা ইনবা হায়বসি ঐ ঙল্লরোই।

মপুরোইবনা মমিৎ ঙাংনা শাওনা হায়রকই-মদুগী মতুং তারকপদু অফবা ওইরোইদবা।

গোদাবরীনা থাঙশাংগী মমাঙদা মথবাক ফল্লদুনা হায়রকই-মদুগী ঐ করিসু ৰাদে, নঙ কনাগীসু মপূ নত্তে।

শ্রী সেঠ ফ্লৱার শো তৌফমদা লৈরিঙৈদা নুংঙাইতবা পাউদু তল্লরে। মা তৌফম খঙদ্রে, মশাদু তরং-মালংদা তাওরে। মখূৎ অনীদু খূৎতুম তাশিল্লদুনা ময়া ক্রক-ক্রক চিক্তুনা খাঙলে, থুনমক ময়ূমদা হল্লক্লে, মা মমাঙদা অমুক্তা অসুন্না মাগী মোটোর সাইকলদু য়াঙনা থৌখিদ্রি। মৈ হৌনা শাওরদুনা ময়ূম চঙলক্লে - নঙনা ঐগী মায়সি খুহল্লগেসিনিনে?

গোদাবরীনা য়াম্না তপ্না হায়রকই-ঐবু সুম চৈদুনা লৈরদোইরো? নঙগী নমায় খুবা হায়বসি ঐগীসু খুবা নৎত্রা? নঙনা অৰাবা তারবদা ঐনা কনাগী মতেং লৌরুনি?

-সহর পূম্বা লোয়না খঙনরে। নঙনা ঐগী পৈশা করিগী শীজিন্নরিবনো?

গোদাবরীনা শকফম সুকহোং হোংদনা হায়রকই - মদু ঐগী পৈশামক্লি খল্লি।

মপুরোইবনা ময়া ক্রক-ক্রক চিক্লদুনা- শুকয়া য়াদে, নঙনা ঐগী পৈশা শীজিন্নবগী হক শুকলৈ লৈতে।

গোদাবরী - মদু অরানবা ৰাফমনি, নঙগী পৈশাদু শীজিন্নবগী হক্তু নঙনা লৈবদুমক ঐগীসু লৈ। হোয়, খায়নরবা মতুংদদি মদু লৈত্রে।

শ্রী সেঠনা মাগী তুপী অফনবীদু অদুক্কী মতিক কন্না টেবল মথক্তা থাদৈ মদুদি চোঙথোক্তুনা লৈবাক্তা তাখ্রে, মানা হায়রকই - নঙগী ৰাখলদুবু করিনো, ঐবু ৰাখল অমত্তা তাদ্রেনে। নঙগী নঙক কনবসিগী ফল করি ওইগনি খঙলব্রা? ঐবু ৰাহং-পাউহং তৌনবা কৌরক্কনি। করি হায়না পাউখুম পীগনি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা থবক তৌরি, কোংগ্রেসপু মতেং পাঙবা হায়বসি লৈঙাক অসিবু শিংনবনি।

- নঙদি কোংগ্রেসকী মতেং পাঙদে!

- নঙনা পাঙলিদুদি!

- মসিগী চৈরাক্তু ঐনা ফংগদ্রা নঙনা ফংগদ্রা? ঐনা হুরাল্লুরগা নঙ ফাদোক তাগদ্রা?

- হুরানবগী ৰানা ৰাফম অমনি, মসিগী ৰানা ৰাফম অমনি।

- অদুদি কোংগ্রেসকী মতেং পাঙবসি হুরানবা, লুট তৌবদগীসু হেন্না ফত্তবরা।

- হোয়, লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীগীদি হুরানবা, লুট তৌবদগীসু হেন্না ফত্তে।

- ঐদি মদুম হায়না খনদে।

- নঙনা মদু খনদবদু নঙগী ৰাখলগী অরানবনি। নুমিৎ খুদিংগী পাউচেশিংদা য়াওরিবদুনি। অদুগা ঐঙোন্দা অমুক হংলিবা। কোংগ্রেসকী মীওই অমনা ৰা ঙাঙনবগীদমক্তা ফম্বাক্তা কাখৎপা মতমদা ফিজম শেৎপা পুলিস ওফিসার কুনমুক্লা রিপোর্ট লৌনবগীদমক্তা ফমদুনা তাই। কোংগ্রেসকী থবক থৌওংশিংগী পাউ পীনবা পাউমী কয়া থল্লিবনি। হুরানবশিংদদি অসুন্না খক তৌদে। মরমসিনা নুমিৎ খুদিংগী হুরানবা, লুট, মীহাৎ মীপুন কয়া থোক্লিবনি, অদুবু কনাসু খঙনদে, পুলিসনসু থৌশাদে। অদুবু লৈঙাকলোনগা মরী লৈনবা ওইরবদি পুলিসকী হৈশিংবদু য়েংউ। ইন্সপেক্টর জেনরেলদগীনা কন্সটেবল ফাওবা খুনিং খুমাং শম্নদনা চেল্লি। লৈঙাকসিনা হুরানববুদি কিদে, হুরানবনা লৈঙাক্তা করিসু শোকহন্দে। কোংগ্রেসনা লৈঙাক্কী থবক-থৌওংদা অকায়বা পী। মরমসিনা লৈঙাকনসু মশাবু ঙাকথোকচনবগীদমক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি, মসিদি মশানা তাবনি।

ঙসিদি ওফিস চৎপা মতমদা শ্রী সেঠকী খোঙথাংদু মঙম শান্দ্রে! মফমদুদা করি তৌরমগদবা ঙসি মা নুংতিগা মান্নদ্রে, ওফিস য়ৌরগা চম্প্রাসীশিংদা চৈদ্রে, কেরানিশিংদসু অফাও শাদ্রে, তুমিন্না মাগী ফমফমদা ফল্লরে। মকোক্তা থাঙশাং অমা হাইথদুনা থম্বগুমলে। সাহেবকী গাড়ী মখোল তাবদা মিহুল চেনগুম চেনগানরে। হান্নদি মাগী কাদা অদুম ফমদুনা লৈরগা, সাহেব লাকখিবা পুংখায় অমগী মতুংদা ফাইল পুরগা চঙবনি। ঙসিদি মা বেরেন্দাদা লেপ্তুনা ঙাইরে, সাহেবনা কুমথরকপদা লুকথদুনা সলাম কোৎলি অদুবু সাহেবতু মমায় লৈথোক্তুনা চৎখ্রে। অদুবু মা থৌনা হন্দে, পরপ-পরপ চেনখৎতুনা পর্দা হাইগৎলি। সাহেবনা কাদা হেক চঙখিবগা হুমাই অচৌবদু হুম্বা হৌরে অদুবু মখনাওদি কংলে, করি হায়রক্কদগে হায়বদু ঙাইহরি। সাহেবনা হেক ফমথবগা মানা কাংচুপ অমদি মৈখেৎ পুথোক্তুনা থল্লে। খঙহৌদনা অতিয়া অসি ঙংলদুনা হায়রকই- ‘নহাক থাজবা হাৎপা মীনি।’ মানা সাহেবতা করিসু খঙজদবগুম য়েংলি।

সাহেবনা ৰাহৈদুমক অমুক হন্না হায়রি-‘নঙ থাজবা হাৎপা মীনি।’

শ্রী সেঠসু খরা শাওগৎলক্লে - ঐনা খঞ্জবদা ঐমুক মপূ নীংবা লৈবাকসিদা লৈরল্লোই খল্লি।

সাহেব - নঙ তৌবিমল খঙদবা মীনি।

শ্রী সেঠ-অদোম্না ঐবু ইকায়বা পীবিরে, ঐ অসিগুম্বা ৰাসি কয়া তানীংদে।

সাহেব - তুমিন লৈয়ু, য়ু ব্লদি। নঙবু লৈঙাকসিনা থা খুদিংগী লুপা চামঙা-চামঙা তলব পীরিবসি নঙগী নুপীনা কোংগ্রেসতা শেনখাই পীনবা নত্তে।

মা মশা ঙাকথোকচনবগীদমক হায়জবগী তাঞ্জা ফংলে - ঐনা অদোমগী থাজবা মাঙহনবগী ৰাফম লৈতে, ঐগী নুপীনা ঐগী অয়াবা য়াওদনা পৈশাদু পীখিবনি। ঐদি মতমদুদা ফ্লৱর শো য়েংলি, লোয়ননা মিস ফ্রাক্তগী লুপা মঙা পীদুনা লৈ চবুল অমসু লৈখি। মদুদগী হল্লকপদা ঐসু পাউদু খঙবনি।

সাহেব - ওহ! নঙনা ঐখোয়বু অপঙবা শীরিবরা? ৰাফম অসি মৈরিগী মতৌগুম সাহেবকী মকোক্তা হেক চঙখিবগা সাহেবকী শাওবগী ঙমখৈ লৈত্রে। করিসু লৈতবা হিন্দুষ্টানি অমনা মাবু অপঙবা শীবা! মাদি হিন্দুষ্টানিসিদা নিংথৌরেলগুম হাইনা হুম্না পাল্লিবনি, অচৌ অচৌবা ফম্নাইবশিংনা খুরুল্লিবা মাবু করিসু লৈতবা অমনা অপঙবা শীবা। মা খাঙবা ঙমদ্রে, টেবলদা লৈরিবা চৈতুপ্তু পায়দুনা হৌগৎলক্লে।

অদুবু শ্রী সেঠ থৌনা ফবা মীনি। মানা হায়জবা য়াবা হায়জৈ অদুবু মাবু ইকায়বা পীবদুদি খাঙবা ঙমদ্রে। মানা চৈপ্তু মখূৎনা ফারে অদুগা চঙশিন্দুনা সাহেবকী মমায়দা কিন্না থিনজিল্লে, সাহেবতু ঙাইহাক্তি ৰাখল মাঙই। মা অসুন্না তৌরক্কনি খল্লুদে। মানা খল্লুবদি মফমসিগী মীশিংসি য়াম্না ঈ-তপ্পী, কিগল্লি অসিনি। থোইদোক্লা সাহেবশিংগী মমাঙদা ৰা ঙাঙবা ঙমদে, চৌক্রিদা ফল্লগা নাতোনগী ঈদু তৈথোক্লি। মা শ্রী সেঠতা মায় ওনশিন্নীংদ্রে। অদুবু করম তৌরগা মাবু মায়থীবা পীসিগে খল্লি।

শ্রী সেঠ মাগী কাদা চঙলক্লগা থৌদোক্তুগী মরমদা ৰাখল খনবা হৌরকই। মা করিসু নুংঙাইতবা তৌদে, মাগী থৌনাদুদা মথৰায় নুংঙাইজে। মাগী উশিৎতবগী চাংদুদি য়েংউ, ঐঙোন্দা চৈতুপ্না থোমগে তৌই। নোঞ্জরগদি অমুক্লা হেন্না উশিৎলোইদৌরি। মখোয়গী নুপীশিংবু কোয়বা পুবীরিবনি, মখোয়দা হঙ্গৎনা ঙাঙলুনবগী পাঙ্গল লৈজদে। ঐঙোন্দা নোংশাগুম থৌনা ফরি, হৌজিক কমিস্নরগী মনাক্তা চৎখ্রনি অদুগা ঐবু থবক লৌথোক্তনা তোক্লোইদৌরি। পূন্নমকসি গোদাবরীনা থোকহনবা ঙাক্তনি, ইকায়ফিরুক্তি খুমলেদনা। হৌজিক্তি নোংমগী চরা তানবা তারেদনা। হৌজিক্তি ঐবু কনানসু শক খঙবীররোই, থবক লৌথোকপগী পাউ লাক্লনি, কনাদা হায়জরুনি। সেক্রেটরিদু হিন্দুষ্টানিনি অদুবু মানা হেন্না অংগ্রেজ ওইখরে। হোম মেম্বরসু হিন্দুষ্টানিনি। অদুবু মাসু অংগ্রেজশিংগী অৰৈবা মীনাইনি। গোদাবরীগী শেনখায়গী পাউ তাবদা মাসু শোয়দনা শাওরক্কনি। কনানসু ৰাকৎ তাবীররোই, মফমসিদগী চৎখিবনা খ্বাইদগী শাফরনি। মানা থুনমক থবক থাদোকপগী চে ইরে, সাহেবকী টেবলদা থল্লুই। মদুদা সাহেবনা ইরকই - ‘থবক লৌথোক্লে।’

নুমিৎয়ুংবা মতমদা মপুরোইবনা মরু লুক্লা হল্লকপদুদা গোদাবরীনা হংলকই- ঙসিদি ঙন্না হল্লকই করি তৌরে?

মপুরোইবনা মমিৎতু ইরা চেল্লদুনা- থোক্কনি হায়বদু থোক্লে। হৌজিক্তি নকোক্তা নখূৎ হাপ্তুনা কপ্পু।

গোদাবরী - করি তৌরে হায়যুবা?

মপুরোইবা - ৰা খরা ঙাঙনরে, মানা খূৎ থাগদৌবগী তৌরকই, ঐনা কিন্না থিল্লুই, থবক থাদোকপগী চে পীরম্লগা লাক্লবনি।

গোদাবরী - থবক থাদোকপগী মরমদি?

মপুরোইবা - অদু নৎত্রবদি শোয়দনা লু কোকখ্রগদবা?

নঙগী মওংসিদি ঙসি নৎত্রবসু হয়েংদি খায়নবা শোয়রোই।

গোদাবরী - ফরেদা, য়াম ফরে, নঙসু কোংগ্রেসতা য়াওরো।

মপুরোইবনা ময়া ক্রক-ক্রক চিক্তুনা হায়রকই - ইকায়বা অমুক পীরনু, অশোকপদা থুম অমুক চাইরনু।

গোদাবরী - ইকায়বা পীবা নত্তে, নঙগী খোঙগী য়োৎহ্লিং ককখিবদুগী হরাউবা ফোঙদোক্লিবনি।

মপুরোইবা - করম্না হিংগনি হায়বদুদি করিসু খল্লমলোইনে।

গোদাবরী - লোইনা খল্লবনি। ঐ তৌগে য়েংউ। ঐনা হায়বদুতং তৌ। হান্নদি নঙনা হায়বা ঐনা ইল্লম্বনি, নঙনা পীজবতং চাবনি, নঙনা থোনবতং শেৎপনি, করিসু হায়জখিদে। দলান্দা থল্লবসু লৈখি, খাঙপোক্তা থল্লবসু লৈখি। নঙসু অদুম্না তৌ। অদুম্না তৌরবদি শোয়দনা থবক খুদিংমক পাঙথোকপা ঙমগনি। অচৌবা হায়বসি শুট শেৎপা, কেবা-মৌবদু নত্তে। থম্মোয় শেংলবদি মানা অচৌবনি। ঙসি ফাওবদি নহাক্লা ঐগী ইপুরোইবনি অদুবু ঙসিদগী ঐনা নঙগী নপুরোইবা ওইরবনি।

মপুরোইবনা মঙোন্দা য়াম্না নুংশিনা য়েংলকই অদুগা হরাউনা নোক্লকই।

**হিন্দীদগী হন্দোকপা**

**—লৈমপোকপম বেদান্তী**